# পি দব্লিয়ু এল : মুম্বাই মহারাথিনা জয়পুর নিঞ্জাসপু ৪-৩ দা মায়থীবা পীদুনা মাঙজিল থাহনখ্রে



ন্যু দেল্লি, জন্যুৱারী ১০ :
মুম্বাই মহারাথিনা মফম অসিদা চথুরিবা প্রো রেষ্টলিং লীগ (পি দব্লিয়ু এল) গী নিপান্নি চনবা নিংথৌকাবা নুমিৎতা শান্নখিবা মেচতা জয়পুর নিঞ্জাসপু ৪-৩ দা মায়থীবা পীদুনা মায় পাক্লা চঙশিনখ্রে।

জয়পুরনা কেজি ৫৮ গী নুপীগী কাঙলুপ্পু ব্লোক তৌনবা লেপখি অমদি মুম্বাইনা নুপাগী কেজি ৭০ গী কাঙলুপ্পু ব্লোক তৌখি।

অহানবা বাউটকী কেজি ৭৪ গী কাঙলুপ্তা মুম্বাইগী জাব্রায়িল হাসানোভ অমদি জয়পুরগী জাকোব মাসাকা-রাশভিলি অনীনা কৃক কৃক ইন্ননা ফাইট তৌনখি। কুমজা ২০১৬ কী ওলেম্পিক্সকী ব্রোঞ্জ মেদলিষ্ট হাসানোভনা বাউট অদু ৩-১ দা মকোক থোংনা চৎখি। হাসানোভনা অনীশুবা রাউন্দদা মহাক্কী ওপোনেন্টপু অকনবা শাফু পীখিদুনা নক্সাৎখিবগা লোয়ননা মহাক্কী টিমবু মাঙজিল থাহনখি।

অনীশুবা বাউটতা জয়পুরগী রিটু ফোগাটনা মুম্বাইগী কারোলিনা কাষ্টিল্লো হিদালগোগা অকনবা লম্বা তৌনদুনা শান্নখি। মহাক্কী অনীশুবা পি দব্লিয়ু এলদা শান্নরিবা রিটুনা নিংথিনা শান্নদুনা মহাক্কী ওপোনেন্টপু নক্সাৎলগা ৪-১ দা মায় পাকখি।

নুপীগী কেজি ৪৮ গী কাঙলুপ্তা মায় পাকখিদুনা জয়পুরনা মুম্বাইগা ১-১ দা লৈখিদুনা চাং মান্ননা লৈখি।

মেচকী অহুমশুবা বাউটতা জয়পুরগী রাহুল মান্ন অমদি মুম্বাইগী ভিকাস কুমার অনীনা অকনবা লম্বা তৌদুনা শান্নখি। স্কোর লাইনদা ৬-৬ তা চাং মান্ননা লৈখ্রবসু বাউট অদুগী অরোইবদা মুম্বাইগী ফেভরদা পোইন্ট পীদুনা মায় পাকখি।

নুপীগী কেজি ৫৩ গী কাঙলুপ্তা জয়পুরগী বেটজাবেথ অর্গুল্লোনা মুম্বাইগী কুমজা ২০১৪ গী কম্মনৱেল্থ গেমসগী সিলভর মেদলিষ্ট লালিটা সেহরাৱাটপু ৫-২ দা মায়থীবা পীখি।

মুম্বাইগী রাহুল অৱারেনা জয়পুরগী উটকার্শ কালেবু ৯-৬ তা মায়থীবা পীদুনা মাঙজিল থানবগী লম্বী শেমখি।

রিও ওলেম্পিক্কী গোল্ড মেদলিষ্ট অমদি মুম্বাইগী মহুৎশিন্দুনা শান্নরিবা ইরিকা ৱিবেনা শুংশোয় শোয়দনা মায় পাক্তবা য়াদবা গেম ওইনা রিওগী ব্রোঞ্জ মেদলিষ্ট জেন্নি ফ্রান্সনগা লম্বা তৌদুনা শান্নখি। ইরিকানা মশাগী অশোকপা লৈরবা ফাওবদা মতীং থোকপা পার্ফোমেন্স উৎখিদুনা মহাক্কী লম্বা জেন্নি ফ্রান্সনবু লাকশিনখি। অদুম ওইনমক স্কোরলাইনদা জয়পুরনা ৩, মুম্বাইনা ২ দা লৈখি। অদুবু ইরিকানা মহাক্কী বার্টুনা মায় পাকখিদুনা প্লেয়র ওফ দ টাই তাখি। মসিগী মায় পাকখিবা অসিনা মুম্বাই মহারাথিনা ৪-২ দা মাঙজিল থানা চৎখি।

নুপাগী কেজি ৯৭ কী হেভিৱেঠ বাউটতা জয়পুরগী কেপ্টেন ইলিজাবর ওদিকাদজেনা মহাক্কী ওপোনেন্ট মুম্বাইগী পাভলো ওলিনিকপু ৩-২ দা মায়থীবা পীদুনা মহাক্কী টিমগী ইজ্জৎ ঙাকখি।

মুম্বাই মহারাথিনা টাই অদু ৪-৩ দা মায় পাকপা ঙমখিদুনা পোইন্ট টেবলদা অহুমশুবা মফমদা লৈবা ঙমখি। মায় পাকখ্রবা মুম্বাই মহারাথিগী কেপ্টেন ইরিকা ৱিবেনা হায়খি, টিমনা উৎখিবা পার্ফোমেন্স অদুদা ঐনা তশেংনা হরাউবা পোকই। ঐগী ফাইটতা ঐনা করম্না মায় পাক্কদগে হায়বদু খঙবা ঙমখি। ঐনা শিংনবা হায়বসি য়াম্না পাম্মী। ঐগী হকচাংদা অশোকপা লৈরবসু মতীং ফুদোক্লা শান্নখিবনা অরোইবদা মায় পাকপা ঙমখি হায়না মহাক্লা ফোঙদোকখি।

# পি বি এল : সাইনা নেহৱালগী অৱাধে ৱরিয়রসনা বেঙ্গলুরু ব্লাষ্টর্সপু মায়থীবা পীদুনা সেমী ফাইনেল চঙখ্রে



বেঙ্গলোর, জন্যুৱারী ১০ :
লন্দন ওলেম্পিক্সকী ব্রোঞ্জ মেদলিষ্ট সাইনা নেহৱাল অমসুং কুমজা ২০১৪ গী চিনা ওপনগী চেম্পিয়ন কিদম্বি শ্রীকান্টনা মফম অসিদা চথুরিবা অনীশুবা সিজনগী প্রেমিয়র বেদমিন্টন লীগ (পি বি এল) কী নিংথৌকাবা নুমিৎতা শান্নখিবা বাউটশিংদা মখোয় মখোয়গী মেচশিং মায় পাকখিদুনা অৱাধে ৱারিয়রসনা বেঙ্গলুরু ব্লাষ্টর্সপু ৪-৩ দা মায়থীবা পীদুনা সেমী ফাইনেল চঙখ্রে।

সাইনা নেহৱালনা নুপীগী সিঙ্গলস ট্রম্প মেচতা হোং কোংগী চেয়ুং ঙান য়িবু ৯-১১, ১১-৫, ১১-৫ দা মায়থীবা পীখি। অদুগা নুপাগী সিঙ্গলস মেচতা শ্রীকান্টনা রিও ওলেম্পিক গেমসগী ব্রোঞ্জ মেদলিষ্ট ভিক্টর এক্সেলসেনবু ১১-৯, ১১-৯ দা মায়থীবা পীখি।

মেচকী অহানবা গেমদা য়িনা মহাক্কী ওপোনেন্ট নেহৱালবু ১১-৯ দা মায়থীবা পীদুনা মায় পাকখি। সাইনানা মখা তাবা গেমদা নিংথিনা শান্নখিদুনা ওপোনেন্টপু খুবাম চেংনা পায়শিন্দুনা থমখিবগা লোয়ননা গেম অনীদা মায় পাকখিদুনা অৱাধেবু ৪-১ দা মাঙজিল থাহনখি।

নুপাগী সিঙ্গলসকী ওপনিং ইন-কাউন্টরদা ৱর্ল্ড নম্বর ৪৪ দা লৈরিবা বেঙ্গলুরুগী সৌরভ ভর্মানা মতীং থোকপা পার্ফোমেন্স উৎখিদুনা ১৭শুবা রেঙ্কতা লৈরিবা ভিন্সেন্ট ৱোংবু ১৩-১১, ১১-৭ তা মায়থীবা পীখিদুনা হোম সাইদনা মায় পাক্লা চঙশিনখি।

মিক্স দবলসতা অৱাধেগী এ সাভিট্রী অমদি বোদিন ইসারানা সুং হয়ুনঅমদি মিক্কি রেদ্দিবু ৯-১১, ১১-৪, ১১-৫ দা মায়থীবা পীখি।

নুপাগী দবলসতা বেঙ্গলুরুগী সুং হয়ুন কো অমদি য়েওন সেওংনা ৱারিয়রসকী ভি শেম গোহ অমদি মার্কিস কিদোবু ৬-১১, ১১-৯, ১১-৬ তা মায়থীবী পীদুনা ক্রুসিএল ওইরবা পোইন্ট অনী লৌবা ঙমখ্রবসু মদুনা মায় পাকপগী লম্বীদা পুশিনবদি ঙমখিদে। মমাঙদা শান্নখিবা অতোপ্পা মেচশিংদা মুম্বাই রোকেটসনা বেঙ্গলুরু ব্লাষ্টর্সপু ৪-১ দা মায়থীবা পীখি।

নুপাগী সিঙ্গলসতা মুম্বাইগী এইচএস প্রন্নোয়না বেঙ্গলুরুগী সৌরভ ভর্মাবু ৪-১১, ১১-৬, ১১-৩ দা মায়থীবা পীখি।

মায় পাকখিবা অসিনা ৱারিয়রসনা অপুনবা পোইন্ট ১৮ ফংখিদুনা টেবল ষ্টেন্দিংদা খ্বাইগী মকোক্তা লৈখি। অদুগা ব্লাষ্টর্সনা পোইন্ট ১১ ফংদুনা অহুমশুবা মফমদা লৈখ্রে। মুম্বাই রোকেটসনা পোইন্ট ১৬ অমদি চেন্নাই স্মাশর্সনা পোইন্ট ১০ ফংখিদুনা মথংশিংনা অনীশুবা অমদি মরিশুবা পোজিসনদা লৈখি।

# খৃষ্টিয়ানো রোনাল্ডোনা ৪রকশুবা ওইনা ফিফা বেষ্ট প্লেয়র এৱার্দ ফংখ্রে



জুরিক, জন্যুৱারী ১০ :
কুমজা ২০১৬ তা পোর্টুগাল অমসুং রিয়েল মেদ্রিদ অনীনা মেজর য়ুরোপিয়ন টাইটল লৌবদা চাউরবা মতেং পাংখিবা খৃষ্টিয়ানো রোনাল্ডোনা নিংথৌকাবা নুমিৎতা মরিরকশুবা ওইনা ফিফা বেষ্ট প্লেয়র এৱার্দ ফংখ্রে।

রোনাল্ডোনা পোর্টুগিজদা হায়খি, কুমজা ২০১৬ অসি ঐগী কেরিয়রগী ওইনা খ্বাইদগী ফবা চহীনি হায়না মহাক্লা ফোঙদোকখি।

কেন্দিদেট ২৩ গী বেল্লোটতা রোনাল্ডোনা অপুনবা ভোটিং পোইন্ট চাদা ৩৪.৫৪ ফংখি। মেসিনা চাদা ২৬.৪২ ফংখি অদুগা গ্রিজমেন্ননা চাদা ৭.৫৩ ফংদুনা অহুমশুবা মফমদা লৈখি। ভোট অদু নেসনল টিমগী কেপ্টেনশিং অমদি কোচশিং, খনগৎলবা মেদিয়া অমদি ফেনশিংনা ওনলাইনদা থাদখি।

রোনাল্ডোনা মরিরকশুবা ওইনা ফিফা এৱার্দ ফংখিবা অসিনা এৱার্দ অসি মঙারক লৌবা ঙমখ্রবা মেসিগা নকশিন্ননা লৈবা ঙমখ্রে। রন্নর-অপ তাখিবা মেসিনা এৱার্দ য়েন্থোকপগী থৌরম অদুদা শরুক য়াখিদে।

রোনাল্ডোনা কুমজা ২০১৬ তা ফংখিবা ট্রোফিশিংগী মনুংদা য়ুরোপিয়ন চেম্পিয়নশিপ, চেম্পিয়ন্স লীগ অমদি ৱর্ল্ড ক্লবকী মথক্তা ইন্দিভিজুয়েল বেষ্ট প্লেয়র এৱার্দ ওইনা য়ু ঈ এফ এ অমদি ফ্রেঞ্চ ফুটবোল মেগাজিননা পীবা এৱার্দশিং য়াওরি।

মেসিগী বার্সেলোনানা স্পানিশ লীগ অমদি কপ দবলস লৌখি। অদুম ওইনমক মহাক্লা কেপ্টেন ওইখিবা অর্জেন্টিনানা কোপা অমেরিকাগী ফাইনেলদা চিলিগী মখুৎতা মায়থীহৌখি। গ্রিজমেন্নগী ফ্রেঞ্চ অমদি অটলেটিকো মেদ্রিদনা রোনাল্ডোগী টিমগী মখুৎতা ফাইনেলদা মায়থীখি।

রোনাল্ডগী ক্লব অমদি লৈবাক্কী কোচপু লৈসেষ্টরগী মেনেজর ক্লাউদিও রানৈরিনা মায়থীবা পীখিদুনা মেন'স কোচিংগী প্রাইজ ফংখি। রানৈরিনা ইংলিস প্রেমিয়র লীগ টাইটল লৌহনখিবগীদমক প্রাইজ অদু ফংখিবনি।

রোনাল্ডোগুম্না য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকী কার্লি লয়োদনা থংন-থংননা অনীশুবা চহীগী ওইনা ফিফা প্লেয়র প্রাইজ ফংখি। জর্মনিগী মিদফিল্ডর মেলানি বেহরিঞ্জরনা ওলেম্পিক্কী গোল্ড মেদল ৱিন্নিং টিমদা শান্নখ্রবসু লয়োদনা প্রাইজ অদু ফংখি। মঙারক ৱিন্নর ওইখ্রবা মার্টানা রন্নর-অপ তাখি অদুগা বেহরিঞ্জরনা অহুমশুবা তাখি।

লয়োদনা হায়খি, ঐনা মসি ফংগনি হায়না আশা তৌরুদে। কুমজা ২০১৬ কী ওলেম্পিক্সতা মেলানিনা মশক থোকপা পার্ফোমেন্স উৎখিবা অদুনা মহাক্লা ফংগনি হায়না খনখি।

জর্মনিগী সিলভিয়া নৈইদনা নুপীগী কোচিং প্রাইজ অনীরকশুবা ওইনা ফংখি। অহানবগী অদুনা কুমজা ২০১০ দা ফংখি। নৈইদনা মমাঙগী ৱিন্নর অমদি ওলেম্পিক সিলভর মেদলিষ্ট স্বিদেনগী পিয়া সুন্দেজ অমসুং লাষ্ট ইয়রগী ৱিন্নর য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকী জিল ইলিশপু মায়থীবা পীরমদুনা প্রাইজ অদু লৌখিবনি।

বেষ্ট গোলগী পুস্কাস এৱার্দনা মালেসিয়ন ক্লব পেনাংগী মোহম্মদ ফাইজ সুব্রিনা ফংখি। মহাক্লা ফ্রি কিক অমদা শাংনা কাওশিনখিদুনা গোল চনবা ঙমখিবা অদুগীদমক প্রাইজ অসি পীখিবনি।

# টোপ রেঙ্ক কার্বরনা রসিয়াগী নহা ওইরিবী দারিয়া কাসাটকিনাগী মখুৎতা মায়থীখ্রে





সিদনি, জন্যুৱারী ১০ :
রসিয়াগী নহা ওইরিবী দারিয়া কাসাটকিনানা মফম অসিদা চথুরিবা সিদনি ইন্টরনেসনলগী লৈবাক-পোকপা নুমিৎতা শান্নখিবা মেচতা ৱর্ল্ড নম্বর ৱান এঞ্জেলিগ কার্বরবু ষ্ট্রেট সেটতা মায়থীবা পীখ্রে।

মশাগী চহী ১৯ শুরবী অমদি রেঙ্ক ২৬ তা লৈরিবী দারিয়ানা অনীশুবা রাউন্দগী মেচতা নিংথিনা শান্নখিদুনা জর্মনবু ৭-৬ (৭/৫), ৬-২ দা মায়থীবা পীখি। দারিয়ানা মমাঙ চয়োলদা পাঙথোকখিবা ব্রিসবেন ইন্টরনেসনলগী অনীশুবা রাউন্দদা ফ্রেঞ্চ ওপন চেম্পিয়ন গার্বিন মুগুরুজাগী মখুৎতা মায়থীহৌখিবনি।

অমরোমদা, মথংগী চয়োলদা পাঙথোক্কদৌরিবা চহী অসিগী অহানবা গ্রান্দ স্লামদা মতীং থোকপা পার্ফোমেন্স পীদুনা টাইটল লৌনবা চঙশিল্লক্কিবা অসিগী মাঙওইননা কার্বরনা মায়থীখিবা অসিনা লৈতাহন্দবা হায়বদু ওইহল্লে। কার্বরনা মমাঙ চয়োলদা পাঙথোকখিবা ব্রিসবেন ইন্টরনেসনলগী কার্টর ফাইনেলদা য়ুক্রেনগী ইলিনা সভিটোলিনাগী মখুৎতা ৬-৪, ৩-৬, ৬-৩ দা মায়থীখিবনি।

কার্বরনা কুমজা ২০১৬ তা ৱর্ল্ড নম্বর ৱান ওইদ্রিঙৈ মমাঙদা গ্রান্দ স্লাম অনীগী মপু ওইবা ঙমখি।

দারিয়ানা মেচ লোইরবা মতুংদা হায়খি, ঐনা ৱর্ল্ড নম্বর ৱানবু মায়থীবা পীখিবা অদু শন্দোক্লা হায়বদা অৱাবা ওইরে অমদি মসি নুমিৎ খুদিংগী থোকপা থৌদোক নত্তে। মসিগী মায় পাকখিবা অসিনা ঐঙোন্দা হেন্না থাজবা হেঙ্গৎহল্লে হায়না মহাক্লা ফোঙদোকখি।

সিদনিগী শারবা নুংশাগী মৈশা অদুদা দিফেন্দিং চেম্পিয়ন সভেটলানা কুজনেটসোভা অমদি মমাঙ চহীগী ফাইনেলিষ্ট দোমিনিকা সিবুলকোভানা অনীশুবা রাউন্দদা মায়থীদুনা লৈহৌখি। ৱর্ল্ডনম্বর ৯ দা লৈরিবী কুজনেটসোভানা রসিয়াগী কম্পেট্রিওট অনাষ্টাসিয়া পাভলয়ু-চেঙ্কোভাগী মখুৎতা ৫-৭, ৩-৬ তা মায়থীহৌখি অদুগা কনাডাগী ইগনি বৌচার্দনা তরুকশুবা রেঙ্কতা লৈরিবা সিবুলকোভাবু ৬-৪, ৬-৩ দা মায়থীবা পীখি।

হান্নগী ৱিমব্লেদন ফাইনেলিষ্ট বৌচার্দনা ওগষ্ট থাগী মতুংদা টুর্ণামেন্টদা অহানবা ওইনা থংন-থংননা মেচশিং মায় পাকপা ওইরি। মহাক্লা সিবুলকোভাগা য়েংনবদা ৪-১ দা মায় পাক্লা চৎলি। মহাক্লা লাষ্ট আইটতা পাভলয়ুচেঙ্কোভাগা মায়োক্লদুনা শান্নরগনি।

বৌচার্দনা হায়খি, নঙনা মতম অমা হেক্তদা মালেমগী খ্বাইদগী ফবা প্লেয়র অমগা শান্নবা হায়বসি নহাক্কী গুণ হেঙ্গৎলবনি। ঐনা চয়োল অসিদা অরুম্বা খোঙথাং অনী থাংবা ঙমখ্রে অদুবু ঐনা পাম্বা অদুদি য়ৌবা ঙমখিদে। অদুম ওইনমক ঐনা মায় পাকখি হায়না মহাক্লা ফোঙদোকখি।

টুর্ণামেন্ট অসিগী অহানবা রাউন্দদা ওষ্ট্রেলিয়াগী নম্বর ৱান সমান্থা ষ্টোসুরবু মায়থীবা পীখিবা মালেমগী নম্বর ২৭ তা লৈরিবী পাভলয়ু-চেঙ্কোভানা মহাক্কী কেরিয়রগী অহানবা ওইনা কুজনেটসোভাগা মায়োক্লদুনা শান্নখিবদা মায় পাকখি।

মাপনশুবা সীদেদ ইটালিয়ন রোবার্টো ভিন্সিনা চেক রিপব্লিক্কী বার্বোরা ষ্ট্রাইকোভাগী মখুৎতা ২-৬, ৩-৬ দা মায়থীখি।

# এঞ্জেলিগ কার্বরনা নুপীগী, এন্দি মরেনা নুপাগী রেঙ্কিংদা খ্বাইগী মকোক্তা লৈখ্রে





পেরিস, জন্যুৱারী ১০ :
বৃটেনগী এন্দি মরে অমসুং জর্মনিগী এঞ্জেলিগ কার্বরনা নিংথৌকাবা নুমিৎতা থোকখিবা খ্বাইদগী নৌবা এ টি পি অমসুং দব্লিয়ু টি এ ৱর্ল্ড রেঙ্কিংদা মথংশিংনা নুপা অমদি নুপীগী মকোক্তা লৈখ্রে।

চেক রিপব্লিক্কী কারোলিনা প্লিস্কোভানা ব্রিসবেন টাইটল লৌখিবদগী মহাক্কী কেরিয়রগী ওইনা খ্বাইদগী ৱাংবা মফম ওইনা দব্লিয়ু টি এগী মঙাশুবা মফমদা লৈখি। ব্রিসবেনগী ফাইনেল মায়থীহৌখিবী ফ্রাঞ্চকী এলাইজ কোনের্টনা মফম তরা কাখৎলগা ৩১শুবা রেঙ্কিংদা লৈখি।

দব্লিয়ু টি এ রেঙ্কিংগী অমদগী কুন ফাওবদা লৈরিবা প্লেয়রশিং অদুদি অহানবদা জর্মনিগী এঞ্জেলিগ কার্বর (পোইন্ট ৮৮৭৫), অনীশুবদা য়ু এস এগী সেরেনা ৱিল্লিয়মস (পোইন্ট ৭০৮০), অহুমশুবদা পোলেন্দগী অগনিজকা রাদৱানস্কা (পোইন্ট ৫৪২০), মরিশুবদা রোমানিয়াগী সিমোনা হালেপ (পোইন্ট ৫২৫৭), মঙাশুবদা চেক রিপব্লিক্কী কারোলিনা প্লিস্কোভা (পোইন্ট ৪৯৭০), তরুকশুবদা স্লোভাকিয়াগী দোমিনিকা সিবুলকোভা (পোইন্ট ৪৮৭৫), তরেৎশুবদা স্পেনগী গার্বিন মুগুরুজা (পোইন্ট ৪৪২০), নিপানশুবদা য়ু এস এগী মেদিসন কিজ (পোইন্ট ৪১৩৭), মাপনশুবদা রসিয়াগী সভেটলানা কুজনেটসোভা (পোইন্ট ৪১১৫), তরাশুবদা বৃটেনগী জোহন্না কোন্টা (পোইন্ট ৩৬৯০), তরামাথোইশুবদা চেক রিপব্লিক্কী পেট্রা কভিটোভা (পোইন্ট ৩৪৮৫), তরানিথোইশুবদা স্পেনগী কার্লা সৌরেজ (পোইন্ট ২৯৮৫), তরাহুমদোইশুবদা য়ুক্রেনগী ইলিনা সভিটোলিনা (পোইন্ট ২৮৯৫), তরামরিশুবদা বেলারসকী ভিক্টোরিয়া অজারেঙ্কা (পোইন্ট ২৫৯১), তরামঙাশুবদা স্বিটজরলেন্দগী টিমিয়া বাকসিঞ্জকি (পোইন্ট ২৩৪৭), তরাতরুকশুবদা য়ু এস এগী ভেনস ৱিল্লিয়মস (পোইন্ট ২২৪০), তরাতরেৎশুবদা রসিয়াগী ইলেনা ভেসনিনা (পোইন্ট ২২২৯), তরানিপানশুবদা ইটালিগী রোবর্টা ভিন্সি (পোইন্ট ২২১০), তরামাপনশুবদা চেক রিপব্লিক্কী বার্বোরা জহলাভোভা ষ্ট্রাইকোভা (পোইন্ট ২১৭০) অমদি কুনশুবদা দেনমার্ককী কারোলিন ৱোজনিয়াক্কি (পোইন্ট ২১৩৫) নি।

অমরোমদা, নিংথৌকাবা নুমিৎতা থোকখিবা এ টি পি রেঙ্কিংদা এন্দি মরেনা খ্বাইদগী মকোক্তা লৈখিবগা লোয়ননা দোহাগী ৱিন্নর নোভাক জোকোভিচনা অনীশুবা মফমদা লৈখ্রে।

এ টি পি রেঙ্কিংগী অহানবদগী কুন ফাওবদা লৈরিবা প্লেয়রশিং অদুদি অহানবদা বৃটেনগী এন্দি মরে (পোইন্ট ১২৫৬০), অনীশুবদা সার্বিয়াগী নোভাক জোকোভিচ (পোইন্ট ১১৭৮০), অহুমশুবদা কনাডাগী মিলোস রাওনিক (পোইন্ট ৫২৯০), মরিশুবদা স্বিটজরলেন্দগী ষ্টান ৱারিঙ্কা (পোইন্ট ৫১৫৫), মঙাশুবদা জপানগী কৈ নিশিকোরি (পোইন্ট ৫০১০), তরুকশুবদা ফ্রেঞ্চকী গেল মোনফিলস (পোইন্ট ৩৬২৫), তরেৎশুবদা ক্রোসিয়াগী মারিন সিলিক (পোইন্ট ৩৬০৫), ওষ্ট্রিয়াগী দোমিনিক থিয়েম (পোইন্ট ৩৪১৫), মাপনশুবদা স্পেনগী রফেল নদাল (পোইন্ট ৩১৯৫), তরাশুবদা চেক রিপব্লিক্কী টোমাস বার্দিচ (পোইন্ট ৩০৬০), তরামাথোইশুবদা বেলজিয়মগী দেভিদ গোফিন (পোইন্ট ২৭৫০), তরানিথোইশুবদা ফ্রেঞ্চকী জো-ৱাইলফ্রাইদ সোঙ্গা (পোইন্ট ২৫৯৫), তরাহুমদোইশুবদা স্পেনগী রোবার্টো বৌটিষ্টা (পোইন্ট ২৫১০), তরামরিশুবদা ওষ্ট্রেলিয়াগী নিক ক্রিগিওস (পোইন্ট ২৪৬০), তরামঙাশুবদা বলগেরিয়াগী গ্রিগোর দিমিট্রোভ (পোইন্ট ২১৯৫), তরাতরুকশুবদা ফ্রেঞ্চকী লুকাস পৌল্লে (পোইন্ট ২১৩১), তরাতরেৎশুবদা স্বিটজরলেন্দগী রোজর ফেদরর (পোইন্ট ১৯৮০), তরানিপানশুবদা ফ্রেঞ্চকী রিচার্দ গ্যাসগেট (পোইন্ট ১৮৮৫), তরামাপনশুবদা য়ু এস এগী জোন ইস্নর (পোইন্ট ১৮৫০) অমদি কুনশুবদা ক্রোসিয়াগী ইভো কার্লোভিক (পোইন্ট ১৭৯৫) নি।

# ভেলেন্টিন গ্রানাটকিন মেমোরিএল কপ্তা ইন্দিয়াগী অন্দর-১৭ ফুটবোল টিমনা রসিয়াগী মখুৎতা ০-৮ দা মায়থীখ্রে



সেন্ট পিটরসবার্গ, জন্যুৱারী ১০ :
ইন্দিয়াগী অন্দর-১৭ ফুটবোল টিম্না মফম অসিদা চথুরিবা ভেলেন্টিন গ্রানাটকিন মেমোরিএল কপকী নোংমাইজিং নুমিৎতা শান্নখিবা গ্রুপ মেচতা রসিয়াগী মখুৎতা ০-৮ দা মায়থীখ্রে।

গোল মার্জিন ৱাংনা মায়থীখিবা অসিনা ইন্দিয়াগী ফীভমদা হেন্না চৈথেং পীখি। রসিয়াদি হাফ টাইম ফাওবদা পেনালটি অমফাওবা মাঙহনখিদে।

ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসন (এ আই এফ এফ) না থাদোরকখিবা চেরোল অমগী মতুং ইন্না য়ুম্বুনা অহানবা হাফ ফাওবদা গোল ৫-০ দা মাঙজিল থানা লৈখি হায়রি।

অহানবা গোল অদু মেচ হেক হৌখিবগা অনীশুবা মিনিটতা চন্দুনা য়াম্না ঙন্না ১-০ দা মাঙজিল থানা চৎখি। ইন্দিয়াগী মায়কৈদা অনীশুবা গোল অদু মিনিট ১০ গী মতুংদা চনখি। অহুমশুবা গোল অদুনা মেচকী মিনিট ২১ অমদি মরিশুবা গোলনা মিনিট মরিগী মতুংদা চনখি। মঙাশুবা গোলনা মেচকী মিনিট ৩১ চৎপা মতমদা চন্দুনা অহানবা হাফ ফাওবদা ৫-০ দা লৈখি।

অনীশুবা হাফকী মেচ হেক হৌখিবগা রসিয়ানা মখোয়গী তরুকশুবা গোল অদু চনখি। মেচকী মিনিট ৭০ চৎপা মতমদা তরেৎশুবা গোল অদু চন্দুনা ৭-০ দা লৈখি। অরোইবা অমদি নিপানশুবা গোল অদুনা মেচ লোইবগী হুইসল খোঙগদবা তাঙ্গাদা চনখিদুনা মেচ অদু ৮-০ দা ইন্দিয়ানা মায়থীহৌখি।

ইন্দিয়ানা মথংগী মেচতা বেলারসকা লৈবাকপোকপা নুমিৎতা শান্নগনি।


ANGELS' COACHING CENTRE ꯑꯦꯟꯖꯦꯂꯁ
URIPOK POLEM LEIKAI
THE MOST TRUSTED COACHING CENTRE IN THE CITY

ADMISSION OPEN Foundation Course for Class I to X Starts: 5th Jan. 2017

5th Open Mega Mock Test for HSLCE 2017

| Prizes : | 1st Position | 2nd Position | 3rd Position | 4th - 10th Position | 85 % and above | 80 % and above | Subject Toppers |
|---|---|---|---|---|---|---|---|
| | ₹. 20,000/- | ₹. 15,000/- | ₹. 10,000/- | ₹. 5,000/- | ₹. 3,000/- | ₹. 2,000/- | ₹. 3,000/- |

Time Table : Any Students can join / Last Date of Form Submission : 10th Jan., 2017

| Date & Day | 18/01/2017 (Wednesday) | 21/01/2017 (Saturday) | 24/01/2017 (Tuesday) | 27/01/2017 Friday) | 31/01/2017 (Tuesday) | 02/02/2017 (Thursday) |
|---|---|---|---|---|---|---|
| Subject | English | Social Science | Mathematics | Additional Sub. | Science | MIL (Man, El. Man.) |

TOPPERS of 2016




Contact : 9856988840 / 9402897710 / 8732022342
BOARDING FOR BOYS & GIRLS
HL-B/3529/9/12-11/01